**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-07-2024)**

**মোরে (এল)ঃ** ইম্ফাল-মোরে চেনবা গাড়িশিংদগী আইনগী ৰাংমদা কা হেন্না টেক্স লৌবদগী গাড়ি দ্রাইবর অমদি গাড়ি মপুশিংনা মতম কক্তুনা গাড়ি চেনবা লেপ্পলগনি হায়রি।

ইম্ফাল-মোরে ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মরম চাদনা গাড়িশিংদগী টেক্স লৌবা অমদি পোৎ-চৈ মুনবনচিংবা তৌবনা মরম ওইরগা গাড়ি দ্রাইবরশিংনা অৰাবা কয়া মায়োকরি। গাড়িশিংদগী মরম চাদনা পোৎ-চৈশিং লৌহৌবশিং অদু অথুবা মতমদা পাথোকপীরকউ। মসিনা দ্রাইভরশিংদা অৰাবা ওইহল্লে। ইম্ফাল-মোরে চেনবা গাড়িশিংদগী মরম চাদনা শেল খোমগৎপা অমদি পোৎ-চৈ লৌহৌবনচিংবা থবকশিং অসিগী মথক্তা মরি লৈনবা ওথোরিতিশিংনা মীৎয়েং চংবিনবা চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অনসিয়া উইকেগা পারাক্রম ফাউন্দেসনগী মরুওইবা থৌ পুরিবা ডা: পাৰন তিৰারিগা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা ঙরাং ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

ডা: তিৰারিগা রাজ্যপালগা হন্দক রাজ্য অসিদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি চহি হেল্লক্লবা ইরাং অসিগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। ষ্টেট কোর্দিনেটর-দেস রাজ য়ুমামনা ফাউন্দেসন অসিনা নম্বোলদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক অখন্ননা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্পশিংগী মতাংদা পাউদমখি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা অঙাংশিংদা লাইরিক লাইশু তম্বদা চংবা মচাক মথুমশিং য়েন্থোকবগী মতাংদসু পাউদমখি।

রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেদা শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৰিমেন ইমপৱারমেন্টগী থৌরম অমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনবা ডা: পাৰন তিৰারিনা

বার্ত্তন তৌখি। রাজ্যপালনা বিদ্যা ভারত্তি শিক্ষা বিকাশ সমিতিনা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মহৈরোইশিংদা মহৈ নীংথিনা তমহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপা স্কুলস ওন ৱিলস প্রোজেক্টপু থাগৎলদুনা হায়-অসিগুম্লবা থৌরাং অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা  মপুং ফানা মহৈ তমহনবা ফংহল্লগনি। রাজ্য অসিদা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি পায়খৎতুনা মহৈ মশিংগী লমদা হেন্না চাউখৎনবা পোরম য়াৎফগী তঙাইফদবা লৈ।

**সেসনঃ** সংসদকী নোংজ্ মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। ঙসি শেল থুম মন্ত্রি-নিরমলা সিতারামননা ইকোনোমিক সর্ভে পুথোক্কনি।

যুনিয়ন বজেট-২০২৪-২৫ হয়েং কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারমননা পুথোক্কনি। মীফম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চথগনি। হন্দক্কী বজেট মীফম অসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা বজেটনি। মীফম অসিদা সরকারনা অনৌবা বিল তরুক পুথোক্লবা য়াই। বিলশিং অদুদি, দিজাস্তর মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল, দা ব্লোইলরস বিল, দা ভারত্তিয়া বাইয়ুয়ান বিধায়ক, দা কোফি (প্রমোসন এন্দ দিবলপমেন্ট) বিল অমসুং দা রবর (প্রমোসন এন্দ দিবলপমেন্ট) বিলনি। মমাং থাদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা সভা অনিমক্কী মীফমদা ৱা ঙাংবদা হন্দক্কী বজেট মীফম অসি য়ামা কান্নবা অমসুং তুং কোইনা চৎনগদবা বজেট অমা ওইগনি হায়না ফোংদোকখ্রবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ কমিতিগী ৪৬ শুবা মীফম ঙরাং ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা হৌদোকখ্রে। ভারতনা অহানবা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা মীফম অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সেন্টরদা ভারতনা মিল্লিয়ন দোল্লর অমা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। শ্রী মোদিনা হায়-শেনফম অসিনা

মালেমগী মরুওইবা হেরিটেজ সাইটশিং নীংথিনা থম্বা অমসুং য়োকখৎপদা মতেং ওইরগনি। মরুওইনা গ্লোবেল সাউথতা লৈরিবা লৈবাকশিংদা শেনফম অসিনা হেন্না কান্নবা পীরগনি। ভারতনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা চাউখৎপগী লমদা অমসুং লৈবাক অসিগী হেরিটেজশিং য়োকখৎপদা শিংথানিংঙাই ওইরবা খোঙথাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-নরেন্দ্র মোদি সরকারনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা শঙ্গোম পাউদর গ্রাম অমা ফাওবা মপান লৈবাক্তগী লৈদ্রে।

মহাকা হায়-লাক্লিবা চহি মঙা অসিদসু শঙ্গোম পাউদর মপান লৈবাকশিংদগী লৈরোই। পুনেদা দলগী ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল কনভেন্সনদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়-এন.সি.পি (এস.পি) গী লুচিংবা সরদ পৱারনা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারনা মপান লৈবাক্তগী শঙ্গোম পাউদর পুশিল্লক্লে হায়না মরাল শিবা অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। মহাকা হায়-য়ু.পি.এ. সরকারনা শঙ্গোম পাউদর মপানদগী লৈদনবগী মতাংদা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রবনি।

**ভাইরসঃ** কেন্দ্র সরকারনা কেরলা সরকারদা নিপা ভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা মীয়ামগী হকশেলগী থৌরাংশিং খুদক্তগী লৌখৎনবা হায়খ্রে।

মালাপুরম জিলাদগী চহি ১৪ শুরবা নুপামচা অমা নিপা ভাইরসনা মরম ওইদুনা ঙরাং লৈখিদে। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়দগী নেসনেল ৱান হেলথ মীসনগী মীহুৎ কাংব্ অমা চৎলগনি। মফম অসিদা কমদৌনা নিপা ভাইরস অসি শন্দোকপনো হায়বদু কুপা থিজিল্লগনি অমসুং লায়চৎ অসি থিংনবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংসু লৌখৎলগনি।

**স্কুলঃ** স্কুল এদুকেসন এন্দ লিটরেসি বিভাগনা হয়েংদগী শিক্ষা সবতাহ

হৌরগনি। মসি থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথগনি। শিক্ষা সবতাহ্গী পান্দমদি, নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না মহৈরোই, শিক্ষা পীরিবা মীওইশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা মহৈ মশিংগী লমদা অনৌবা থৌরম থৌশিল পুথোকপদা পুন্না চৎমীন্ননবনি। চয়োল অমা চথগদবা থৌরম অসিদা লাইরিক তম্বদা চংবা মচাক মথুমশিংগী মতাংদা খন্নবা, কমদৌনা মহৈ মশিং হৈহনগদগে, সংস্কৃত্তিগী মতাংদা অমসুং শান্ন খোৎনবা অসিনচিংবগী মতাংদা খন্নগনি।

**নিটঃ** হন্দক পাঙথোকখিবা নিট (য়ু.জি) ২০২৪ দা পুন্না মহৈরোই লাখ ২৩, পরিক্ষা অসি থাখি। মসিগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ২,৩২১ না মার্ক ৭০০ অমসুং ৭০০ তগী হেন্না ফংখি।

সরকারনা থোকপা ৱারোল অমদা হায়-পরিক্ষা অসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি লৈবাক অসিগী ৱাংমদা পুন্না পরিক্ষা সেন্টর লিশিং ১, ৪০৪ নি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙসিদগী পার্লিয়ামেন্টকী নোংজ্ মীফম হৌরগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীখলদা চাং ৱাংনা ভোট থাদবনা মনিপুরদা মহৌশাগী ফিভম হনজিল্লে হায়বা য়ারোই হায়না য়ু.এন. কমিতিনা ইন্দিয়াবু তকখৎখ্রে হায়না মনিপুর ন্যুজগী অহানবা লাইমাইদা ফোংলি।

লৈখিদ্রবা হিজম হেমজিৎ পাঙ্গোংনা মহুৎ শিনদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়না মহাক্কী অপোকপনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবদা পাউদরা-ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা

হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল-মোরে ত্রান্সপোর্ট সার্ভিস মতম কক্তনা লেপবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা লামাইদা ফোংলি।।

পেট্রোল পুবা ত্রকশিং ঙসিদগী চেনবা লেপ্লগনি হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নেমচা কিপগেননা কাংপোকপীদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবশিংদা শেলগী তেংবাং পীখ্রে হায়না মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী অতৈ ফুরুপশিং হুন্দোক্লল্লগা নাগাশিংদা অয়েৎপা পীদনবা য়ান্নখ্রে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা কুকিশিংদা থল্লম্বা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগী অথিংবা লৌথোকখ্রে হায়না কল্লর হেদলাইন তৌদুনা সনা লৈবাক পাউ-চেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হিংনবগী লম্বী মাঙলবা ত্রান্সপোর্টরশিংনা এন.ঐচ. টুদা অপনবা লৈহৌ দনবা তেংথারি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ চে অসিগী ইংলিস এদিসনদনা মনিপুর অমসুং সেন্টরনা বঙ্গলাদেসতা তম্বা মহৈরোইশিং তেক্ত কায়দনা হল্লকবা হোৎনরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোটুনা লাল্লে হায়জবদগী কুকিগী মায়োক্তা চথুরকপা ইকোনোমিক ব্লোকেড হন্দোকখ্রে হায়না পোকফমদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা-এন.পি.ও. অমসুং কোটুগা য়ান্নবা পুরকপদগী কুকিদা পোৎ-চৈ য়োনবা থিংল্লম্বা অদু হন্দোক্লে হায়না তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.কেদা লৈবা প্রোফেসার-এস. রেদিগী মথক্তা কমপ্লেন্ট থাংগৎখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবদা পাউদা-সোসিএল মিদিয়াদা মীতৈশিংবু লান্না উহনবা, উদয় রেদিগী মথক্তা ৱাকৎখ্রে হায়বা খুরাইজম অথৌবগী ৱাফম সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোং জিলাদা হৌখিবা নুমিৎ মরিনিদা পাক শন্না মৈ মুৎপদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়না হেদলাইন তৌরি।